# ‘ঐখোয় পূন্না ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তাই’

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

**উশম ধরমেন্দ্র**



ইরমদম মণিপুরসি কাং-খোং চাইদুনা অদুমক লৈরি। চীং অমসুং তম খায়দনা মৈরী থোক্লা চাক্লি। মফম মতম অমত্তদা করি থোক্লগবা তম্বা ঙমদে। তম্বা ঙমদবা মতমগী পুংজা মীৎকুপ্তনি খঙহৌদনা পোকখায়রকপা বোম্না খঙহৌদনা কাপশিল্লকপা নোংমৈ মরূনা মীওইবা কয়াগী পূন্সি মাঙহল্লিবসি। মীবু তমথীনা হাৎলগা পেঞ্জরিবা মীওই কাঙলূপ অসিবু করম্বা মখলগী মীওইনো। পনবদসু তল্লবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিনা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং পূন্নমকসিগী থৌদাং ওইরিবনি। ঈরাং থোকহল্লিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন চথুরিবা কুকি মিলিটেন্টনি হায়রিবা টেররিষ্টশিং অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না থা-থাগী লুপা লিশীং তরুক/তরুক মসিগী কাদর অমমমদা পীরিবনি। শেলসু পীবা, মীয়ামদগী লুট পাৎকী থৌওংসু চথুদুনা লন-থুমসু মুনবা, মীহাৎ-মীপূনসু চথুবা মদুদা ইন্দিয়া অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মখোয়দি সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন চথুরিবনি হায়দুনা আইনগী ওইবা এক্সনসু লৌখৎতবা অদুগা ‘সূ’গী চৎন-কাঙলোন ঙাকপ্রা হায়বসু ঙাক্তবা ওন্থোকপা নুংঙাইবা মওং অমদনি মখোয়না লৈরিবা মওংসি। মীতৈশিংদা অতম্ননা লান্দাদুনা চহী অহুম হেন্না ৱাহল্লক্লে। হৌজিক্লা মণিপুরগী নাগাশিংদা লান্দাদুনা অৱা মৈশা পীরক্লি।

ষ্টেট অমবু ঈংনা চিক্লা লৈহনবা পব্লিক ওর্দর নীংথিনা চৎনহনবা হায়বসি ষ্টেটতুগী গভর্ণমেন্টকী মথৌনি। মদুদা ঙমদ্রগনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মতেং লৌগদবনি। পূন্নমকসি মণিপুর ষ্টেটসিগী মতাংদদি মথোঙ খঙখিদ্রে। মে ৩, ২০২৩দগী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিংদা লান্দাশিন্দুনা নমদুনা থোকহনখিবা ঈরাংদুগী হেক নোংঙানবদা মণিপুরদা হোঞ্জিল্লকখিবা ইন্দিয়ন আর্মি বট্টালিয়নগী পর্সনেলশিং, পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং পূন্নমক্তুনা মীচম মীয়াম্না খন্নখিবনি, ঈরাংসি থুনমক চয়োল অমগী মনুংদা নমথখ্রগনি, করিসু তৌরোই হায়না। অদুবু মদুগী তায়োন্নবদা থোকখি। হৌজিক্তি চহী অহুমসু হেনখ্রে। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা নোংমৈ, বোম, দ্রোন, মিসাইলনচিংবা শীজিন্নদুনা তৌনীংবা মতমদা এটেক তৌবা ঙম্মী হায়বগী ফীভমদনি হৌজিক লৈরিবসি। হেক্তা মতম অমদা পোকখায়রকপা য়াবা মৈগী চীংনি। নোংমা নীনিগী মনুংদা মণিপুরগী তম্পাক্তা ঈরাং হৌহনগে, বন্দ ব্লোকেদ, সটডাউন তৌদুনা ঈরাং থোকহনগে হায়বা পূন্নমক মখোয়গী মখূৎতা লৈরি। তম্পাক্কী লম ঙাইহাক নাথৈরগা নাগাশিংনা নম্না তাবা চীংগী মফমশিংদনি মখোয়না অমুক ঈরাং কন্না থোকহল্লক্লিবসি।

মণিপুরগী ইতিহাসতা য়াম্না অৱাবা থৌদোক অমা ওইখিবা মদুগী ইতিহাসকী তাঙ্কক অদুনা অচৌবা তুংকোইবা ফল ওইনা মণিপুরগী তম্পাক্তা খুন্দারম্বা মীতৈশিং তোঙান তোঙানবা য়ূমথংনবা লৈবাকশিংদা চেন্দুনা মপূন্সি লেনখিবা, অদুমক মফমদুদা খুন্দাখ্রবা কাউঙমদ্রবা পন্দুপ অমনি চহী তরেৎ খুন্তাকপা (খৃ: ১৮১৯-১৮২৬)। চহী তরেৎ খুন্তাকপদু নিংথেমচা গম্ভীরসিংহ অমসুং নরসিংহ শাগৈগী মচিন মনাও অনীনা ইংলিস ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পনিগী মতেং লৌদুনা মণিপুর লেভি ৱানা শেমগৎতুনা মণিপুরদগী বর্ম্মিজশিংবু নীংথি তুরেল ৱাংমা লান্না তান্থোকখিদুনা নীংতম্বা মণিপুর অমা শেমগৎলকখিবনি। মতমদুদগী অৱাশিংগী মীওৎ-মীনৈ ৱানা খাঙলুরবা চীংদা তমদা খুন্দাবা মণিপুরী পূন্নমক্না ঐখোয় অমুক হন্না খুন্তাকহল্লরোই হায়বা ৱাখলগী লীচিং অসিনা থম্মোয়নুংদা চেৎনা থম্নরগা মণিপুর অসি পাল্লকখিবনি। ঙসি ঙাঙনরিবা ‘আইদিয়া ওফ মণিপুর’ গী ৱাখল্লোন মতমদুগী লাইওইখ্রবা মীরোলদা চেৎনা লৈরম্মী। মতমদুদা মেরা হৌচোংবগী থৌরম্না অচৌবা কুন্ধৈ ওইদুনা চীংমী-তম্মীগী মরী চেৎশিন্নহল্লম্মী। ঙসিসু মেরা হৌচোংবগী থৌরম পাঙথোক্লি। চীংমী তম্মীগী অফবা মরী পুরক্লবগী পান্দমদা থল্লি। লমদমসিদা খুন্দারিবা মীপূম খুদিংমক চাওখৎমিন্নবা, শান্তি লৈনা হিংমিন্নবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবনি।

শান্তি লৈনা চাওখৎমিন্ননা হিংমিন্নবা হায়বসিদগী হেন্না ফবা করিবু লৈরিবগে। মীওইবা হায়বসি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা শিরগদবা লৈরবনি। হিংলিঙৈগী মতমসিদা নুংশি চান্ননা হিংমিন্ননবা হোৎনগদবনি। অদুবু য়াদে শান্তিগী য়েক্লবা কয়ানা চীংজাওগুম থিংদুনা লৈরম্মী। পূন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল তুংওইনরগা ঐ ঐগী ফূরুপ কাঙলূপকী ৱাখলদা মাঙ থারগা অপীকপা ৱাখল্লোন্দা লমদমসিবু মচেৎ তানা থুগাইনবা হোৎনরকই। মচেৎ তানা থুগাইরগা মখোয়গী ওইবা জালেঙম, হোমলেন্দ অমগী মঙলান্দনি কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা অয়ৌবী থাক্তা থাংজিল্লক্লিবা থৌরাংসি। মণিপুর অসি ইন্দিয়াগা মর্জর এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনরগা য়ানচে অমগী মখাদা চৎখিবনি অদুনা মণিপুরগী ঙমখৈদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না শেমদোক শেমজিন তৌবা ঙমদে হায়বা খঙনা খঙনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেশনশিংনা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিংগী মায়খুম উপ্পগা লাউরি, লাংলি লৈবাক ঈরাং হৌহল্লি। নাকল অমরোমদা কুমজা ২০২৯দা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদগী লালহৌবশিং মরূ ফংনা মূখৎনবা পান্দম থল্লিবা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিবু কনখৎতুনা থম্বগী মতৌসু মীচম মীয়াম্না ইঙান ঙান্না উরি। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিনা তৌবা টেরর এটেক কয়াবু খঙশিন উশিন্নদনা লৈরি। কুকিশিংনা ঐখোয়দি ইন্দিয়াদগী তোঙান তাগে হায়বা নত্তে ইন্দিয়াগী মনুংদা তোঙানবা হোমলেন্দ অমা শেমজগে হায়বনি হায়না দাবী তৌবদা ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াগী লুচিংবা লৈঙাকপশিং য়াই থারবা জীবগুম তেথরবরা হায়বগী ৱাহং লাকই। অমুকসু ইন্দিয়াগী আর্মি, পেরা মিলিটরি ফোর্স শীজিন্নদুনা নোর্থ ইষ্টকী লালহৌবশিং নমথগদবগী শরুকপুদি কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং শীজিন্নদুনা প্রোক্সি ৱার চথুবনা ফরে হায়বগী লাল্লোং এপ্পাই তৌরকপগী শক্তমসু উরি।

কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা লমদমসিদা থোকহল্লক্লিবা ঈরাংসিদা মণিপুর ষ্টেট লৈঙাক্লা থৌনা ফনা লাকশিন্দবা অমসুং লাক্লিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং অসিনা কুন্ধৈ য়েংবগুম য়েংদুনা লৈবসিদা মীচম মীয়ামদি খম থেংনা ৱারে। বি জে পিগী কাঙবু ভোট কাবা ইলেক্সন মায় পাকপদি লাল্লোং অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা য়াম্না হৈ। অদুবু লৈঙাক সাসন তৌবদি য়াদ্রে। ইরমদম মণিপুর অসি মচেৎ অহুম থোক্লা দি ফেক্টোদা লৈরে হায়বদা লাল্লিবরা। মীতৈশিংনদি অপূনবগী শক্তম লাউদুনতা লাক্লি। মতাংসিদা নীংশিংলকপদি হৌখ্রবা মতমগী ইরমদমসিগী লুচিংবশিং, মণিপুরবু ইন্দিয়াদা তিনশিনখ্রবগী মতুংদা লমদমসিদা লৈঙাক চূপ্পি পায়রম্বশিং, লৈঙাক্লোন্দা য়াওখিদ্রবসু লৈবাক মীয়ামগীদমক্তা কথোকখিবশিং মখোয়গুম্বা লুচিংবা কয়া ইরমদমসিনা মথৌ তারি। ঐখোয় পূন্না অপূনবগী শক্তম শাগৎমিন্নবদুনি য়াম্নমক মথৌ তারিবসি।

লোইশিল্লকপদা, ষ্টেট লৈঙাক মপাঙ্গল কলহন্নীংই। চর্চকী লুচিংবা য়াওনা মীচম মীয়াম ফানীংবা মতমদা ফারিবা, হাৎনীংবা মতমদা হাৎলিবা টেররিষ্টশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎহন্নীংই। ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা ঙাক শেলহন্নীংই। ইন্দো-পার্ক, ইন্দো-বাংলাদেশকী ঙমখৈদা থৱায় য়াওনা য়েংশিনবগুম য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। ইরমদমসি মপান্দগী হাইজিল্লকপা টেররিষ্টশিংনা নমদুনা মচেৎ তাহন্নবা হোৎনরিবনি হায়বসি মণিপুরী ঐখোয়না পূন্না ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তাই হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# “ৱারী মখাক ৱারেপ মপুম”

**- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -**



ইন্দিয়ানা খঙই মণিপুরীশিং চীনগা খূৎকা মান্নদে। থাজনীঙাই ওইদবা মীওইশিংনা খুন্দাবা লমদমনি। হৌজিক্কী ৱাথোকসিগা মরী লৈননা কাঙলূপ কাঙলূপ কৌখ্রে। ৱারী শাখ্রে। লন্নাই মীহুৎ অমমমতা ওইনা ৱারী শাখ্রে। ঐখোয় শোমগী ৱা মুন্না তাখ্রে। লোইশিনবদি নত্তবা ৱারী মখাক্কী ৱারেপ মপুম অমনা লোইশিনবা ঙমদবা মালহল্লিবা চৈরাক অমা ঐখোয়গী মীয়ামসিদা পীরিবরা? খন্দুনা য়েংবীয়ু চৈরাক নত্তনবু অসুক শোনবা লৈঙাক্কী মতৌ অমা মালেমগী মীয়ামদা উহনবা হৌনব্রনে। ওপরেশন সিন্দুরদা মালেম পূম্বনা কিনখিবা ইন্দিয়ানা লিতানগী, কোন্সাখুলগী, জৌজাংতেককী এম্বুশ কনানা তৌবনো ফাবা ঙমদবা হৌনদে। নাগাগী মীচম তরুক ফাখিবদো থিদোকপা ঙমদ্রিবসি মুন্না খন্থদুনা য়েংবীয়ু। মণিপুরী অইবা ওইবিরম্বা ডা. কমলগী ‘মাধবী’ লীলাদা হায়খিবা দাইলোগ ‘হুরানবনা হুরানবা ফারবদি কনানা বিচার তৌবীনি।’ লমদম অসিগী য়েলহৌ ফূরুপশিংসি ইন্দিয়ান ওইরব্রা হায়বসি ইন্দিয়ানা ময়েক শেংনা খঙনবা হোৎনবরা? নৎত্রগা ইন্দিয়ানা ঐখোয়গী মীয়াম অসিবু মীরৈবাক মচা ওইনা খল্লব্রা?

কাং-খোং চাইরিবা খুন্নাই অসিনা মীয়াম্বু ৱাখল খলহনবা ঙল্লব্রা হায়বসিদি হৌজিকসু ৱাহংতং ওইদুনা লৈরি। চিন্দা লাউরিবা নীংতম্লিংবগী মখোল থম্মোয়দগী থোরকপা ৱাহৈদি মাল্লক্তে। খূৎসু তিংথোকই। য়াসু কাথোকই। মিত্তসু পি। হিংবসি কিবৈরা? নিবসি ওক্তবৈরা? ইপা ইপুদো নীংতম্না হিংলম্মী। নীংতম্না হিংজরগে। খোল্লাওসিদি লৈথক-লৈখা নিল্লি। মীখা পোন্দনবা, মখা চিক্লা হিংবা ঙম্নবা মীরোলদি থোরক্ত্রি। হাপুগুম্বনা মশীং হেন্না পোল্লবসু বাপু শাবদি তোক্লদে। খোঙনা চৎপা মীবু মীথানদে। সেকেন্দ হেন্দ কারগী থাওদি ৱাত্তনবা অহিং তূমদনা ক্যু লেপ্পে। য়োনবদা হানবা তান্নবা মী ঙাক্তনা খুন্দাবা লমদমনি ইন্দিয়ানা খঙখ্রবনিনা ৱাথোক খুদিং লৈরগা লায়না লোইশিনবা ঙমনি খল্লিরোইদ্রা?

ঐসে অৱাবা কোক্কে হায়রবদি ঐ ইশাগী অশোয়বদু খঙনবা হান্না হোৎনবা তাবনি। পাউতাক পীরিবা মীদগী পাউতাক তারিবা মীশক অদুনা হেন্না কোক ৱাংখ্রবদি পাউতাক পীরিবা মীশক্তু অতাবা মীদুগী মমিৎতা রোবোট ওইনা উখিবা মশানা তারকই। মণিপুরগী ইস্যু কয়াগী পুয়া পাদুনা তাহল্লিবা লুচিংবা শাবশিংবু উরগা মখোয়গী মান্নদবা পান্দম খল্লুবদা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা নোক্লমগনি। অদুগুম্বা মীহুৎশিং অদুবু অফবনি, মতিক চাবনি হায়না খল্লুরিবা মীয়াম অসিবু ইন্দিয়ানা তীল-কাং ওইনা উরমগদবা মাল্লকই। মসিনা ওইরিদ্রা মমল য়াম্লবা মীওই কয়া হিংহাৎ হাৎপদা চৈরাক পীদ্রিবা। মাঙখিবদা থিবা ফংদ্রিবা। মীয়ামসি তৌথোরকপদনা কনা য়াওদনা হিংদা হিংবা ঙম্মদৌবা মানবগী থবক খূৎতৌ তৌনৈ। হিংবদি মীঙোন্দা ঙারগা হিংদবা ঙম্নদে। খ্বাইদগী কপকনবা ফূরুপসু ময়াম্না খঙলমগনি। মরিল খ্বাইদগী য়াওদবা শোয়দনা মাল্লিনি। ঙাখানা ঙারেল হৌবনি খল্লিনি। থাগৎলগা তিকি পীবসু মহাওগী খল্লুদবা পুক্তবু থল্লদি খন্না চারিবনিনা ‘লোঙ লিভ’ হায়বসিদি খোল্লাওখক্তং ওইহৌবসু য়াই। ‘শোর্ট লিভ’ না য়েলহৌ ফূরুপশিংগী অশেংবা মশক ওইখিবসু য়াই।

লমদম অসিগী খ্বাইদগী তমথীবসি সোশল মীদিয়াদা হিরো কুম্বসিনি। খুন্নাইবু মমায় চুম্বা ঙমগদবা মীওই কয়া সোশল মীদিয়াগী হিরোশিংনা ফৈজুপ মনুংদা নমশিন্দুনা থম্বীরে। ফেসবুকতা, ৱাটসএপতা পন্দিৎ, মায়চৌ শাবশিং, কোইথি থিরুরগসু মরী মখোঙ লোৎপা হুরানবগী লীচৎ চৎপা, মীরেম, মীনাইগী ৱাখলদগী হোংদোকপা ঙমদ্রিবা মীওই খুজোক খরা ওইরম্মী। মখোয়না অখঙ অহৈ কয়াবু মচিন ফোৎচিনখি। মমিৎ পুনশিনবীখি। মখোয়গী ৱাকাইদা খঙনবা হোৎনদবা জুরানগুম য়ৌয়া-য়ৌয়া কোইচেন চেনবা খোঙজংলোইশিংনা মথ্বায়বু মরাইবক্তা থেৎচিল্লগা চাকখুমগী, মচা মশু মহৈ মশিংগী খল্লুবা তৌদনা য়োৎলি মখোঙ খিংলুবনি। রবর বুল্লেট, টিয়র গ্যাসকী তান্থাদা মালহনবগী জগোয় শারিবনি। কাঙলোন কায়রবা লানবুং ওইখিবনি। ইমা লৈবাকপু নুংশিদবা কনাসু লৈবা হৌনদে হায়বসিদং খনবা হৈবদা লানদি মায় পাক্লবনি।

ইন্দিয়ানা ঙসি লমদমসিদা উৎলিবা থৌওং অসিনা নোংমা নোংমগী ময়েক শেংলি। নখোয় ইন্দিয়ারা নৎত্রগা কনানো হংলি। ৱাহং অসিগী পাউখুম ময়েক শেংলবা মতমদা সুপর পৱার লৈবাক অমগী তৌবা ঙম্বা মতিক উৎকে খল্লম্বসু য়াই। ইন্দিয়ানা ৱাহংসি হংলিবনি খল্লগা মতাং চারেনা লিংজেল মান্ননা পাউখুম পীবা। য়েলহৌ ফূরুপশিং লিংজেল মান্ননা ৱারেপ লৌবা য়ারেনা “ঐখোয়দি মণিপুরীনি। মণিপুরী ওইনা হিংজরগে। নখোয়গী মীয়োক মীচান, য়োংনা তল য়েনবগী থৌওংনা তুংগী য়ূম্বী কয়া নীংবা কায়হল্লে। মীখা পোন্দনা ইরোমদোম লৈঙাকচরগে” হায়বা ৱাহৈশিং অসিগী সহি লাখ ২০ প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা থাবগী খোঙহৌ অমা চঙশিনবদি করি কায়। নৎত্রগনা ইন্দিয়ান অমা ওইবগী চপ চাবা মথৌ উৎতুনা, হৈ শিংবা নিঙাই তৌদুনা, মপুং ফাবা চাকথুং মুন্দুনা ময়োল্লমগা মিৎয়েং ৱাখল মান্নবা লৈঙাক্লোন অমগী মখাদা চাওখৎ থৌরাং পায়নবা হোৎনরসি হায়ব্রা? ৱাখল অনী লোংলবদি কদাইদগী চপ চাবা ৱায়েল ফংগনি। ৱারী মখাক্কী ৱারেপ মপুমদি মায়কৈ অমখক্লা লেপ্পনা ওইরকপা তাবনি। ৱারী মখাক থল্লুবা ঐখোয়দি খাঙবা কনবা তাবনি। পোৎকী মমলনা অতিয়া পক্লবসু পেম্মা নঙসু ঐসু পুমকং হায়না ইন্দিয়ানা লাউরক্ত্রিফাওবা খাঙবা হৈবা তাবনি।

নুংশিরবা য়েলহৌ মীয়াম পূন্নমক হৌজিক অসি ৱাখল খনবা মতমনি। পংচা চা, পংতূম তূম, মীতৌ তম্বগী হৈনবীনা ইশা পূন্নমক লায়েংবদা ৱারবা খুন্নাই ওইরক্লিবসি খন্থবা কৌবা হীদাক্লা লায়েংহৌদ্রবদি লমদমসিগী মীয়াম লুপখিনি। ঙসি হিংনরিবা মওংসিদি কোঙ্গোলগা পাঞ্চক ওইরে। অশোয়বা হায়রুবদা অশাউবনা মাঙ থাবা, হাৎকে তুপকে, থুগাইগে-য়ানখাইগে হায়বা লিটরেচরগী মনুং চন্দবা লোলশিং অসি ঐখোয়না লোলয়ান খন্দোকপদা য়াওহৌদ্রবদি বিধিনা তম্বা মপোক লোইদনা ঐখোয়গী মীয়াম খাঙুথক্কী পূন্সি য়াম্না ওইরক্কনি।

খুন্নাই অমদা মীচম হায়বসি লৈবা হৌনদে। মীচম হায়বসি অরানবা তৌবশিংগী মরাল থৈদোকফমনি। মীচম কৌবা মীওই কাঙলূপ অমবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা হৈবা মীওই খরনা খুন্নাইবু লায়না পকহল্লিবনি। মীচম মীয়ামগী মপাঙ্গল পূন্নমক লল্লোনবা হৈবা মানা হুদুনা পুরি। ইশাবু মীনা হুদুনা পুরিবনি হায়বসিফাও খঙদবা মীনা মীচমগী মীংথোলদা থৌদোক ৱাথোক্কী চৈবুন চারি। মীৱা তারি। থৱায় মাঙলি। মিংচৎ মাঙলি। লম মাঙলি। য়ূম মাঙলি। নুপী অঙাং কায়নরি। মৱা মপুরোইবা কায়নরবা লুখ্রাবীগী মশীং হেনগৎহল্লি। সি য়ৌরবা ফাওবদা মীয়ামসি মীচমগী মিংথোল কোন্দুনা খাঙনখিগদ্রা? মীয়াম্না পেন্দবগী লমন খুম্বগী তাঞ্জাদু মাঙদা তাদুনা লৈরেনা। য়ূমথোঙ খুদিং, লৈকায় খুদিং, খুঙ্গং খুদিং ৱারী মখাক থম্বীদনা ৱারেপ মপুম লৌমিন্নরসি। মীখলগী নুমিৎ হায়বসি মীচম্না মীশিং ওনবা নুমিৎনি। ●

# ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সকী খোঙচৎ

**- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -**

কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫দা বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোক্লগা চৎখ্রবা মতুংদা মতমদুগী কোংগ্রেস লৈঙাক লিংদুনা মচোয়-মচোয় লৈবা নিংথৌ পানবা লৈবাক ৫৬৫ পূন্নমক পুনশিল্লগা মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইনবা মতমদুগী লৈঙাক পায়রিবশিংনা অহিং নুংথিল খায়দনা হোৎনখিবনি। মতম অদুদা হৌজিক ইন্দিয়ানা নোর্থ ইষ্টর্ন ইন্দিয়া হায়না খঙনবীরিবা লমদম অসিদা মশানা মশাগী নিংথৌ পানবা লৈঙাক অমা ওইনা লৈজরম্বা অসি অসাম, মণিপুর অমসুং ত্রিপুরা খক্তনি। সিক্কিমনা কুমজা ১৯৭৫গী মে ১৬তা ইন্দিয়াগী ২২শুবা ষ্টেট অমা ওইনা লৌশিন্দ্রিঙৈগী বুধিষ্ট কিংদম অমা ওইনা কুমজা ১৬৪২দগী চোগয়াল লৈঙাক হায়না কনা-কনাগী মখাদা লৈতনা ধর্ম্মনা বুধিষ্ট লৈঙাক্লা চোগয়াল হায়না খঙনরম্মী। নেহরুগী লুচিং মখাদা ইন্দিয়াগী লৈঙাক লীংবা কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫দগী লৈঙাকপা হৌখ্রে। মহাক্লা লৈখিদবা কুমজা ১৯৬৪গী মে ২৭ ফাওবা চহী ১৭ চূপ্পা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরমখি। মীখল পাঙথোক্লগা ওইখিবা প্রাইম মিনিষ্টরদি কুমজা ১৯৫২, ১৯৫৭ অমসুং ১৯৬২নি। অহানবা বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোকখিবা মতমগী লিংখিবা লৈঙাক অদুগী লুচিংবা ওইখিবদুদি ইনিসিয়েল ওইনা ৱাশকখিবনি। কুমজা ১৯৪৭-১৯৫২ ফাওবদা মচোয়-মচোয় লৈরম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক ৫৬৫ অসি পুনশিন্নবা হোৎনবা অমদি সম্বিধান শেম্নবা হোৎনবা নেহরু অমদি মাগী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর য়াম্না থৌ চিনবা মতমনি। দিপ্লোমেসি মখল মখল কয়ানা তোঙান তোঙান লৈবাক কয়া লৌশিনবা লোইরবা মতুংদা ইন্দিয়া ষ্টেট ওইনা শক খঙখিবা অসি অসাম ১৯৫০, বিহার ১৯৫০, উত্তর প্রদেশ ১৯৫০, টামিল নাদু ১৯৫০, ওড়িষা ১৯৫০, ৱেষ্ট বেঙ্গল ১৯৫০, অন্ধ্র প্রদেশ ১৯৫৩, কেরলা ১৯৫৬, কর্ণাটকা ১৯৫৬, মধ্য প্রদেশ ১৯৫৬, মহারাষ্ট্র ১৯৬০, গুজরাট ১৯৬০, পঞ্জাব ১৯৬৬, রাজস্থান ১৯৫৬, হিমাচল প্রদেশ ১৯৭১, মণিপুর ১৯৭২, ত্রিপুরা ১৯৭২, মেঘালয় ১৯৭২, নাগালেন্দ ১৯৬৩, অরুনাচল প্রদেশ ১৯৮৭ অসুম্না তোঙানবা অচৌবা ষ্টেট কয়াদগী ষ্টেট এসেমব্লি অমদি পার্লিয়ামেন্টকী অয়াবা পীদুনা বিহারদগী ঝরখণ্ড খায়দোকখি। মধ্য প্রদেশতগী ছটিগর খায়দোকখি। অন্ধ্র প্রদেশতগী টেলঙ্গনা খায়দোকখি। উত্তর প্রদেশতগী উত্তরখণ্ড খায়দোকখি। লোইবা নাইদে জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু ষ্টেটতগী কুমথহল্লগা য়ুনিয়ন টেরিটরি অনী থোক্লা খায়দোকখি। মসি পূন্নমক মতম মতমগী লৈঙাক্কী লুচিংবা কয়ানা লৌরকপা ৱারেপনা ওইখিবা ঙাক্তনি। ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমদা খুন্দারিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা য়ূমলোন কৈরোন্নরিবা খোঙদা হিদাফম ওইরিবা ধর্ম্ম লাইনীং লাইশোন মান্নবা কয়া মাগী মাগী কাঙলূপ ফূরুপ মখল মখলনা শুপ্পা খুন্দামিন্নরিবনি। অসামগী কোনুং শিলং, মণিপুরগী কোনুং ইম্ফাল, ত্রিপুরাগী কোনুং অগরটালা ওইরিঙৈ, নাগালেন্দ পোকত্রিঙৈ, মিজোরাম পোকত্রিঙৈ, অরুনাচল প্রদেশনা নোর্থ ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র ওইনা লৈরিঙৈগী মতম অদুদগী লাকপা মথং-মথংনি। পোলিটিক্স তৌরিবা ইবুংঙো ইবেম্মা খুদিংমক নঙগী মাগী মতম লোইবা লাক্কনি। থাপ্না মহারাষ্ট্রগী, কেরলাগী, টামিল নাদুগী ৱা নওবীদা হন্দক পাঙথোকখিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীখল অমদি অসামগী পোলিটিক্সকী চৎলিবা খোঙচৎ য়েংবা য়াই।

কুমজা ১৯৫০দা ইন্দিয়ানা ইহান হান্না শেম্বা য়ুনিয়ন ষ্টেটস ওফ ইন্দিয়াগী ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অহানবা চীফ মিনিষ্টর ১৫/০৮/১৯৪৭তগী ২২/০১/১৯৪৮ ফাওবগী ডা. প্রফুলচন্দ্র ঘোষনি। ডা. বিধানচন্দ্র রায় ১৯৪৮-১৯৬২, প্রফুল্লচন্দ্র সেন ১৯৬২-১৯৬৭, অজয় মুখর্জি ১৯৬৭-১৯৭০, শিদ্ধার্থ শঙ্কর রায় ১৯৭২-১৯৭৭, জ্যোটি বাসু ১৯৭৭-২০০০, বুদ্ধদেব ভট্টাচার্য ২০০০-২০১১, মমতা বন্দো পধ্যায় ২০১১-০৯/০৫/২০২৬নি। শুভেন্দু আধিকারি ০৯/০৫/২০২৬ কয়াম কুইনা পায়বা লৈঙাক্লো হায়বা অদুদি মহাক অমসুং মাগী পার্টিনা তৌবা থবক অদুগী মখাদা লৈরগনি। অসুম্না পোলিটিক্স তৌরিবা তৌরিবী মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা চোংথোরক্লিবা খুদিংমক চৎখিগনি, লোইখিগনি। মসি পোলিটিক্সকী খোঙচৎনি অমদি মীওইবা ঐখোয়গী পূন্সি খোঙচৎনি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা অসাম মীশিং য়াম্বা, এম পি য়াম্বা, ষ্টেট এসেমব্লিগী সিট য়াম্বা ষ্টেট অমনি। বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোকখ্রবা মতুংদা মখোয়সু মশাগী ওইবা লৈঙাক লৈরম্বা ষ্টেট অমনি। গোপিনাঠ বোরদোলোই ১৯৪৬-১৯৫০ ফাওবা ষ্টেট অসিগী অহানবা প্রেমিয়রনি। মতমগী খোঙলোই তুংইন্না অপূনবা ইন্দিয়াগী শক্তম অমা শাগৎপগী ষ্টেট অমা ওইনা ১৯৫০দা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখ্রে। মথং মথংনি মথক্তা পঞ্জখিবা ৱাফমদুনি পোলিটিক্সকী খোঙচৎ। মীওইবগী পূন্সি খোঙচৎ মথং মথং লাক্কনি, মথং মথং চৎখিগনি। অনীশুবা ওইনা বিষ্ণুরাম মেধি ১৯৫২দগী মথং মথং বিমলা প্রসাদ চালিহা, মহেন্দ্র মোহোন চৌধুরি, শরৎচন্দ্র সিংহা, গোপাল বোরবারা, যোগেন্দ্র নাঠ, আনুৱার তাইমুর, কেশবচন্দ্র গোগোই, হিটেশ্বর সৈক্যা, প্রফুল্লাকুমার মহন্ত, টরুন গোগোয়, সর্বানন্দ সোনোৱাল, হিমন্ট বিশ্বা সর্ম অসিনি। বেঙ্গলগী চহী ২৩ পায়রম্বা জ্যোটি বাসু, মমতা বেনর্জি, অসামগী টরুন গোগোয় খুদিংমক পোকপা নাইবা মীওইবা নোংমা শোয়দনা শিগদৌবা পোলিটিক্সকী পূন্সিসু অসি মঙাই। মাগী মাগী মীয়ামগা অফবা মরী লৈরিবমখৈ মপূন্সি শাংই। মীয়ামগা লাপথোক্লবা মতমদা মীয়ামদগী মমি শামখিবা করিসু ঙক্লীংঙাই ওইদে।

হন্দক পাঙথোকখিবা মীখলদা অসাম, বেঙ্গল, পোন্দুচেরি, টামিল নাদু অমদি কেরলানা অহানবদা পোলিটিকেল পার্টি, অনীশুবদা মী অকাবনা হরাওবা, মায়থীবনা নুংঙাইতবা হৌনশানি। অকাবা মায় পাক্লবা কাঙবুগী খোঙলোই কয়ানা থোরক্লগা মী ফূবা, চৈবা, হাৎপা তুপ্পা তৌহৈদবা থবকনি। মীখল থেংনবদা মায় পাক্লবদি মদুদগী হেনবা লমন অমা অমুক লৈরিবরা? মী হাৎপা, মী ফূবা, মীগী ফিরোল মৈ থাবা, মীগী ওফিস য়ৈখাই থিনগাইদুনা মাঙ তাকহনবা অদুনা লন-থুম কয়া অদুদগী শরুক চাম্না হেল্লবনি। ঐখোয়গী পোলিটিক্স তৌরিবা মীওইশিংগী খোঙলোইশিংনা য়ারিবমখৈ পূক্নিং ফাথবীদুনা খৎনবা, চৈনবা তৌদনবা হোৎনবীগদৌবনি। মদুগী মহুত্তা অফবা মী খন্দুনা মীয়ামগা হেন্না ফবা মরী লৈনবা থবক তৌবা ঙম্বা, শেঞ্জা থুমজা তৌদবা, ইচা-মীচা য়োংলৈ মেলৈ নাইদনা থবক তৌদৌবা মীহুৎ খনবগী হৈনবী থমদুনা ইরৈবাক ইরমদম কনসি নৎত্রবদি শন্দ্রেম্বী ইমা খুয়া শারে, খুজেং য়ৌরে, খুকউ য়ৌরে মথং মথং থৱায় মাঙখিবগুম্না চৈশ্রা মমাগী ফত্তবা থৌশিলনা শন্দ্রেম্বী মমা মাঙনবা শিনখিবগুম্না কনা কনাগুম্বগী থৌইনশিন খরনা নঙগী নরমদম মণিপুরবু থেঙ্গু ফুৎপগুম্না ফুৎপগী থবক্তি তৌবীগনু। নুপা থোক্লা ঙাঙবীয়ু, নুপা থোক্লা থবক তৌবীয়ু। লং চিংলগা জগোয় শাবা পপেৎ দান্সকী মওংদি মীয়াম্না পেন্নীংঙাই ওইদে। কুমজা ১৯৪৯দা মণিপুরগা ইন্দিয়াগা থম্নখিবা, ইনখিবা অদুদা নেশনল হায়ৱেদা মীতৈ চৎপা থিংবদা করিসু হায়দবা, মমাগী খোল্লাং থক্লা থক্লা তূমখুন তাল্লিবী লোইদাম থাজ ৫দা ঙাইরিবা সংসারগী ৱাহন্থোক খঙজদ্রিবী নৱাদুগী মথক্তা বোম টোপ কাপশিন্দুনা হাৎপা মতমদা চহী ৫দা ঙাইরিবা মবুং অদুগা পূন্না মীনুংশি য়াওদনা মীহাৎ থীনা হাৎখিবা মতমদা সেন্টরগী লৈঙাক্লিবা কনানা করিদা অৱাবা শরুক য়াখিবগী ৱাহৈ অমা ফাওবা হায়খিদবনি। মণিপুরীশিংবু তুমিৎ কাংগুম্না উবীরবরা হংবা য়াবা ৱাহংনি। হংলি ঐখোয়না ঙাকপী শেনবীবা ঙল্লোইদৌবা মসিদা নত্তনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংবু অথাকপা কাওনা য়েনগুম্না ঙাক শেন্দুনা থল্লিবসিবু করম্বা দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈরিবগে।

মসিবু মখা তানা চথুহল্লবদি নোংমা নোংমগী মীতৈ খুন্নাইবু অমদি মণিপুরগী য়েলহৌমী পূন্নমক সেন্টরগী লৈঙাক্লা পোইজন্নিং তৌরিবরা, শেন্দাল লম্বী থদৎলে, নীংতম্না ঐখোয়না ঐখোয়গী ইরমদা চৎপা ঙমহন্দ্রে, বেঙ্গলগী এম পিশিং অমদি টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ষ্টেলিন মণিপুরগী মীয়াম্না থেংনরিবা কয়া অসিগী মতাংদা খরা হায়বা নত্তনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটকী লিদর অমদি পোলিটিক্সকী মীওইশিংনা য়েংদুনা লৈবা, তাদুনা লৈবা ঙম্বা চহী অহুম হৌখ্রে। মসিনি অপূনবা ইন্দিয়া অমগী পোলিটিক্সকী খোঙচৎ অসি।

ওইজবা খরা ফংলগা মচাশিং অমদি মাগী মাগী নুপী অঙাং থবক হাপ্পগা মসিদগী হেনবা লৈঙাক লৈত্রে হায়দুনা খোইরা য়ানবা ঙাইসি হায়বা ঙম্বা মহু পুবা লিনদুবু থৌরীনি করিসু তৌরোই হায়বা ঙম্বা অখঙবা কয়া অহৈবা কয়ানা পরেং লেংদুনা লৈরগা লৈঙাকপু শিংথারি। শিংথাগদৌবনি থাগৎকদৌবনি অফবা থবক তৌবদি থাগৎফম থোকই। ফত্তবা মীয়ামগী মায়োক্তা থবক তৌরগনা ফত্তে, লাল্লি হায়বা ঙম্বা তাবনি। নত্তদুনা মচুম থক্লি, মপং চারি হায়দুনা লৈবাক ঙাকপা হৈতবা মীগী নাকলদা লেপ্পগা হন্না হন্না মীনা তারোইদবা ৱাসু লেপ্পা ফৈ। থা নিপাল লৈরি মথং চহী ২০২৭কী অঙনবা ফেব্রুৱারী, মার্চ অনীগী মতমগী মনুংদা পাঙথোকফম থোকপা মীখলগী মমাঙদা শান্তি পুরকউ, নীংতম্না নেশনল হায়ৱে চৎপা য়াহল্লু, লান নংলবা ময়ূম মকৈ মাঙ তাকখ্রবা কয়াগী খুন্দা লৈতাহন্দুনা মাগী মাগী লৌরি য়ূম্ফমদা হঞ্জিলহল্লু। মদু তৌবা ঙল্লবদি ভোটতি অদুম কাজনি। নত্তদুনা লং চিংলগা জগোয় শাবা সেন্টরদা ষ্টেট অসিগী থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক পূন্নমক ৱারোইশিন থম্নবা প্রেসর পীবা ঙম্বগী থৌনা লৈবীয়ু নত্তদুনা পাৎ মপানগী তুমিৎ কাংগুম্না উবা ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সকী খোঙচৎ ওইহনবা পামদে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।